## জজ লোয়া শিখিবগী মতাংদা চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চনা হিয়ারিং চথরগনি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
সী বি আইগী জজ বি ঐচ লোয়া চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিখিবগী মতাংদা থিগৎপীনবা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা হিয়ারিং চথনবগীদমক চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রানা লুচিংবা সুপ্রীম কোর্টকী জজ অহুম্না শাবা বেঞ্চ অমা শেমখ্রে।

মমাঙ চয়োলদা জষ্টিস অরুন মিশ্রানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হিরম অসিগী মতাংদা হিয়ারিং চথবগী মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা হিয়ারিং চথবা হৌরগনি হায়রি।

সুপ্রীম কোর্টকী জুনিয়র জজশিংনা লুচিংবা অখন্নবা বেঞ্চতা মরুওইবা কেস পায়হল্লে হায়বগী মতাংদা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জজ মরিনা চীফ জষ্টিসপু মরাল শিরকখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

জান্যুৱারি ১৩ দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জজ মরিনা হায়খিবনি মদুদি, চীফ জষ্টিসনা মরুওইবা বেঞ্চশিং জুনিয়র জজশিংদা অতম্মনা পায়হল্লে। জজ লোয়া শিখিবগী কেস অমদি অতে মরুওইবা কেস খরা চীফ জষ্টিসকা নক্লবা জুনিয়র জজশিংদা পায়হনবগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টকী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইরবা জষ্টিস মরিনা চীফ জষ্টিসপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর ১ দা জজ লোয়া শিখিবা মতমদা সোহরাবউদ্দিন সেখ শিখিবগী মতাংদা লোয়ানা হিয়ারিং চথখিবনি। হায়রিবা কেস অদুদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমদি অতে মশক নাইবা মীওই কয়ামরুম চেন্নে। লোয়াগী মফমদা লাকপা জজনা অমিট শাহবু কেস অসিদা চেন্নদে হায়না লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু জজ লোয়া শিখিবগী মতাংদা পীখিবা ৱারোলগা মরী লৈনদুনা লাল্লে হায়জনবা তকশিনগদবনি হায়না বি জে পিগী এম পিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, পার্টিগী এম পি খুদিংমক্লা রাহুল গান্ধী অমসুং কোংগ্রেসকী মায়োক্তা কেম্প্যেন চথনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনসু সী পি আই (এম) অমদি কোংগ্রেসপু সী বি আইগী জজ ব্রিজ গোপাল হরকিষন লোয়া শিখিবগী মতাংদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

## প্রিভেন্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্সেস এক্ট এম্মেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী পাউখুম পীবা ওইনা সুপ্রীম কোর্টতা পীশিনখিবা চেরোল অমদা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা হায়খ্রে মদুদি, প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্সেস (পি ও সী এস ও) এক্ট এম্মেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে।

হন্দক মরক লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চহী নৌরিবী নুপীমচা কয়া ফল্লানবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মরাল লৈবা মীওইশিং খ্বাইদগী কনবা চৈরাক পীনবা মায়কৈ কয়াদগী তকশিন্নরকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনেকা গান্ধী অমসুং ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী এম পি হেমা মালিনিনা মরাল লৈবা মীওইশিং থৌরী য়াল্লগা হাৎকদবনি হায়না তকশিল্লকখি। সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা মায়কৈ কয়াদগী লাকপা ৱাকৎ তারবা মতুংদা মশাগী চহী ১২ শুদ্রিবা নুপীমচা ফল্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি পি ও সী এস ও এক্টতা মরাল লৈবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীবগী প্রোভিজন য়াওদে। অদুবু কতুৱা অমদি উনাওদা থোকখিবা থৌদোক মতুং তারকপদা সেন্টরনা লো অসি এম্মেন্দ তৌদুনা ফল্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি।

চৈরকসিদা, ৱাশিংতন অমদি ন্যু য়োর্কতা লৈবা ইন্দিয়ানশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কতুৱাদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা ফল্লাল্লগা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা তকশিল্লকখ্রে। উত্তর প্রদেশকী উনাওদা মশাগী চহী ১৭ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা ফল্লানখিবা বি জে পিগী এম এল এসু মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা ইন্দিয়ানশিংনা তকশিল্লকখি।

সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনবদা মতম থিন্থহল্লে হায়না মরাল শিরদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা হায়খি, নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম মপুং ফানা থিংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইন্দিয়ান-অমেরিকান মুস্লিম কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট অহসান খাননা হায়খি, কাঙলুপ অমসুং লাইনিং খেন্নবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা মপান লৈবাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়ান পুম্নমক্লা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম মপুং ফানা থিংবা পাম্মী। ৱাশিংতনদা লৈবা ইন্দিয়ান এম্বেসি মমাঙদা খিনবা গান্ধীগী মীতম মনাক্তা প্রোষ্টেটরশিংনা খোঙচৎ অমা চৎখিবগা লোয়ননা উনাও অমসুং কতুৱাগী থৌদোক্তা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়না ইবা ৱারোল য়াওবা চেরোল অমা এম্বেসিগী ওফিসলশিংদা পীশিনখি।

খোঙজং শরুক য়াখিবা সুহেল সয়িদ কৌবা মীওই অমনা হায়খি, উনাও অমসুং কতুৱাগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ু এসতা লৈবা ইন্দিয়ানশিংনা চৎখিবা খোঙচৎতা সিক, মুস্লিম অমদি হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওই কয়ামরুম য়াওই।

পনবা য়াবদি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর উমা ভারত্তিনা মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা অঙাং ফল্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং থৌরী য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## মুম্বাই হায় কোর্টনা অবু জিন্দালগী ট্রাইয়েল জুন ১১ ফাওবা য়েথোকখ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
মুম্বাইদা বোম মথং মথং পোকখায়হন্দুনা এটেক চথখিবদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌখি হায়না মরাল শিরিবা লাস্কর-ঈ-টোইবাগী জাবিউদ্দিন অন্সারি এলিয়স অবু জিন্দালগী মথক্তা বোম্বে হায় কোর্টনা চথবা ট্রাইয়েল জুন ১১ ফাওবা য়েথোকখ্রে।

দিল্লি পুলিসনা লৱার কোর্ট অমগী ৱায়েল শিংনরদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনগী হিয়ারিং চথগদবা ৱাৎলিবা মরম্না অবু জিন্দালগী ট্রাইয়েল মতম খরা য়েথোকখিবনি।

দিল্লি পুলিসকী স্পেসল সেলনা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমনা ট্রাইয়েল কোর্টকী ৱায়েল চৎনহনবীগনু হায়না হায়জরকখি। জষ্টিস নিতিন শম্ব্রেনা ঙসি দিল্লি পুলিসকী পিটিসন অদু জুন ১১ দা হিয়ারিং চথরগনি হায়না মতম লেপখি। অবু জিন্দালগী মথক্তা চথবা ট্রাইয়েলসু হায়রিবা মতম অদু ফাওবা য়েথোক্লে হায়রি।

পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট হিতেন ভেনিগাওনকরনা হায়খি মদুদি, লোন্না থল্লিবা দোক্যুমেন্টশিং দিফেন্সকী মায়কৈদা মাঙজৌননা খঙহনবা চুমদে। থৌওং অদু মরাল লৈরে হায়রিবা জিন্দালগী রাইট মাঙহনবনি হায়না জিন্দালগী উকিল য়ুগ চৌধরিনা ফোঙদোকখি।

প্রোসিকুসনগী মতুংইন্না কুমজা ২০০৮ গী নবেম্বর ২৬ তা জিন্দালনা করাচিগী মফম অমদা লৈরগা য়াথং পীদুনা মুম্বাইদা বোম পোকখায়-হনবগী থৌদোক থোকহনখিবনি হায়রি।

মীওই ১৬৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৩০০ হেন্না অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা জিন্দালনা করাচিদগী চেনখ্রগ সাউদি অরাবিয়াদা লোৎতুনা লৈখি হায়রি।

সাউদি গবর্ণমেন্টনা জিন্দালবু ন্যু দিল্লিদা খুৎশিন্নরকখিবনি। মতমদুদা জিন্দাল পুরকখিবগী মতাংদা শেম শাখিবা দোক্যুমেন্টশিং দিফেন্সকী মায়কৈদা উহনগদবনি হায়না জিন্দালগী উকিলনা তকশিনখি। সাউদি অরাবিয়াদগী দিল্লি ফাওবা পাইরকখিবা জেট এয়রৱেজগী ফ্লাইটতা তোংখিবা পেসেঞ্জরশিংগী লিষ্ট উহনবীয়ু হায়নসু দিফেন্সনা হায় কোর্টতা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

## নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবালগী মথংদা রাম মাধবনা রসিয়াদা চৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবালনা মোস্কোদা চৎলুরবা মতুংদা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফোরেন পোলিসী এদভাইজর রাম মাধবনা রসিয়াদা চৎতুনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানরুগদৌরি।

মতিক ময়াই লৈরবা নোংচুপ লৈবাকশিংনা রসিয়াগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা মতম কয়াগী মমাঙদগী থম্নরক্লবা মোস্কো অমদি ন্যু দিল্লিগী মরী অমুক্তা হেন্না চেৎশিনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

চয়োল অমগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রসিয়ান প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগা টেলিফোন্দা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি। সিরিয়াদা কয়ারক হন্না নোংথক্তগী এটেক চথখিবগী মতাংদা ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সী দব্লিয়ু) না মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা তকশিল্লকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পুটিনগা টেলিফোন্দা ৱারী শানখিবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা মাধবনা রসিয়ান দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর ইগোর মোর্গুলোভকা উনদুনা ইন্দো-পেসিফিক রিজন্দা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা ৱারী শানখি। লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী মরক্তা থম্নরিবা মরীগী মতাংদসু কুপ্পা খন্ন-নৈনখি।

য়ুরসিয়ান রিজনদা ইন্দিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌনবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জুন থাদা শংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সী ও)গী মীফম অমা য়াওনবা চাইনাদা চৎকদৌরি।

রাম মাধবনা কাউন্সীল ওফ য়ুনাইটেদ রসিয়া পার্টিগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্দ্রি টুর্চাককসু উনদুনা পার্টিগী থাক্তা মতেং পাংনবগী মতাংদা ৱারী শানখি।

পনবা য়াবদি, নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবালনা হন্দক্তা মোস্কোদা চৎতুনা রসিয়াগী মহাক্লা ফম মান্নবা নিকোলাই পেত্রুসেভকা দিফেন্স, সিক্যুরিটি অমসুং ন্যুক্লিয়ারগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি। রসিয়াগা থম্নরিবা মরীবু খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নে হায়বা উৎপা ওইনা অজিট দোবালনা মোস্কোদা চৎখিবনি।

মমাঙ থাদা রসিয়ান প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা অমুক হন্না মায় পাল্লকখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লুচিংবা অনী টেলিফোন্দা ৱারী শানখিবদা মোদিনা পুটিনবু ইন্দিয়াদা লাকপীনবা হায়জখি। চহী অসিগী লোইশিল্লমদাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া-রসিয়া এন্যুএল সম্মিটতা শরুক য়াবীনবা পুটিনদা হায়জখি হায়না এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৭৬.৬৬ ফংখিবা পুটিননা কুমজা ২০২৪ ফাওবা রসিয়ান প্রসিদেন্ট ওইখিগনি।

## অকুপ্পা মরোল খঙহনগদবনি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
নেসনল পেন্সন স্কিম (এন পি এস) কী সবস্ক্রাইবরশিংনা বেঙ্ক একাউন্টকী অকুপ্পা মরোল অমদি মোবাইল নম্বর তঙাইফদনা খঙহল্লক্কদবনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) গী গাইদ লাইন মতুংইন্না পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (পি এফ আর দি এ) না হায়খি মদুদি, অনৌবা অমসুং হান্নগী সবস্ক্রাইবরশিংনা ফোরেন একাউন্ট টেক্স কমপ্লাইয়েন্স এক্ট (এফ এ টি সী এ) অমসুং সেন্ট্রেল রেজিষ্ট্রি ওফ সিক্যুরিটাইজেসন এসেট রিকনষ্ট্রক্সন এন্দ সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (সী ঈ আর এস এ আই) তঙাইফদনা ঙাকপা মথৌ তাই।

এন পি এসকী থবক থৌরমশিং হেন্না লাইথোকহন্নবা পি এফ আর দি এনা মতম মতমগী ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি। সবস্ক্রাইবরশিংনা শেল লৌথোক্লিংবা মতমদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দনবা তঙাইফদনা বেঙ্ক একাউন্ট অমসুং মোবাইল নম্বর পীশিল্লক্কবা খঙহনখিবনি হায়রি।

## ন্যু দিল্লিদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৭৪.০৮ য়ৌদুনা চহী ৫ গী মনুংদা মমল খ্বাইদগী ৱাংবা ওইখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা ঙসি পেট্রোল লিটর অমগী লুপা ৭৪.০৮ ওইখিবগা লোয়ননা চহী মঙাগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল ৱাংবা ওইখ্রে।

কুমজা ২০১৩ গী সেপ্টেম্বরদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৭৪.১০ ওইখিবনি। কোলকাটা, মুম্বাই অমদি চেন্নাইদসু মমল হেনগৎলকপগা লোয়ননা লিটর অমদা মথংশিংনা লুপা ৭৬.৭৮, লুপা ৮১.৯৩ অমসুং লুপা ৭৬.৮৫ য়ৌখি হায়না ইন্দিয়ান ওইলগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোরকখি।

হায়রিবা সিটি অহুম অসিদা মমল খ্বাইদগী ৱাংখিবসি কোলকাটাগী ওইনা কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্টতা লুপা ৭৮.০৩, মুম্বাইগী ওইনা কুমজা ২০১৪ গী মার্চতা লুপা ৮২.০৭ অমসুং চেন্নাইগী ওইনা কুমজা ২০১৪ গী জুলাইদা লুপা ৭৬.৯৩ য়ৌখিবদুনি।

দিজলগী মমলসু ঙসি হান্নদগী চাং য়াম্না হেন্না ৱাংখৎলকখি। দিল্লি, কোলকাটা, মুম্বাই অমসুং চেন্নাইদা দিজল লিটর অমগী মমল মথংশিংনা লুপা ৬৫.৩১, লুপা ৬৮.০১, লুপা ৬৯.৫৪ অমসুং লুপা ৬৮.৯০ য়ৌখি। ওর্গনাইজেসন ওফ পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কন্ট্রিজ (ও পি ঈ সী) না মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাওগী মমল হেনগৎহল্লকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদসু দিমান্দ হেনগৎলকপদগী তঙাইফদনা পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল ৱাংখৎলকপনি হায়রি।

ঙসি ব্রেন্টতা ক্রুদ ওইলগী মমল বেরেলদা দোল্লর ৭৩.৫৬ য়ৌখি। কুমজা ২০১৩ দদি বেরেল অমদা দোল্লর ১০০ য়ৌখিবনি। মমাঙদা চৎনরম্বা মতৌগা মান্নদবা মওংদা হৌজিক্তি নুমীৎ খুদিংগী ওইনা থাওগী মমল হোংদোক হোংজিন তৌরে।

চৈরকসিদা, হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা থাওগী মমল হেনগৎলকপগী মতাংদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গবর্ণমেন্টবু মতিক চাদবা লৈঙাক্লি হায়না মরাল শিখ্রে। মহাক্লা হায়খি, কুমজা ২০১৪ গী মেদা শুংদোক্ত্রিবা থাওগী মমল ৱাংখৎলকখ্রবসু পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল কা-হেন্না ৱাংখৎলকপা তৌখিদে। হৌজিক হৌজিক মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাও বেরেল অমগী মমল দোল্লর ৭৪ নি। চহী মরিগী মমাঙদদি দোল্লর ১০৫ ওইখি। অদুবু চাংদম্নদুনা য়েংবদা পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল মতমদুদগী হৌজিক্লা কা হেনবা মওংদা ৱাংখৎলক্লে হায়না কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখি।

বি জে পিগী থৌশিলবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চিদম্বরমনা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২২ দা লৈঙাক পায়বা ঙম্লে হায়না লাওজরিবা বি জে পিনা হৌজিক ফাওবা পেট্রোলিয়ম অমদি পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) গী মনুং চলহনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো। নারোন্দা শেল লৌথোকপা য়ানবা অতম্মনা থৌরাং অসি লৌখৎতবনি।

## কর্নাটাকা এসেমব্লী ইলেক্সন: সিদারমায়া অমসুং য়েদিয়ুরপ্পানা মীরেপ চে পীশিনখ্রে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
চমুন্দেস্বরি টেম্পলদা লাই খুরুম্লবা মতুংদা কর্নাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর সিদারমায়ানা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লী মীখলদা মীরেপ ওইনবগীদমক মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

মীখলগী মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা সিদারমায়া অমদি বি জে পি লুচিংবশিংগী মরক্তা ৱাহৈগী লান শোক্লদুনা লাকখিবনি। সিদারমায়ানা বারুনা কনষ্টিট্যুএন্সিবু মচানুপা যাতিন্দ্রগীদমক থাদোক্লস্লগা চমুন্দেস্বরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইনবা থৌরাং লৌখৎলকখি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা নোর্থ কর্নাটাকাগী কোংগ্রেস লুচিংবা খরনা সিদারমায়াবু বদামি কনষ্টিট্যুএন্সিদসু মীরেপ ওইবীনবা হায়জবা লৈখ্রবনি। সিদারময়ানা বি জে পিবু ক্রিমিনেলশিংগী পার্টিনি হায়না মরাল শিখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিনা চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা পুথোরক্লিবা বি এস য়েদিয়ুরপ্পাবু শেঞ্জা-থুমজাগী থৌদোক কয়াদা চেন্নবা মীওইনি হায়না মরাল শিখি।

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা অমরোমদা কোংগ্রেসপু মরাল শিরদুনা হায়খি মদুদি, মতম শাংনা কর্নাটাকাদা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা পার্টি অসিনা হিরম খুদিংমক্তা ষ্টেট অসিগী ফীভম শোকচিলহল্লে।

বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা পুথোরকখিবা বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা ঙরাং সিকারিপুরা সেগমেন্টতগী মীরেপ চে পীশিনবা লৈখ্রবনি। বেঙ্গলুরুগী অৱাং নোংচুপতা কিলোমিটর ৩০০ লাপ্পা সিবামোগা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা সিকারিপুরাদা য়েদিয়ুরপ্পানা কুমজা ১৯৮৩ দগী মীরেপ ওইদুনা লাকখিবনি।

মশাগী চহী ৭৫ শুরবা য়েদিয়ুরপ্পানা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা কুমজা ২০০৮ দগী ২০১১ ফাওবা লৈঙাক পায়রম্মী। কোলমাইনগী ৱাথোক্তা চেন্নে হায়না মরাল শিরকপদগী মহাক্লা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকখিবনি।

## আর্মি কম্মান্দরশিংনা কাশ্মির, ঙমখৈগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
ইন্দিয়ান আর্মিগী মকোক থোংবা কম্মান্দরশিংনা মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) দা পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগায়বগী থৌওং তোয়না চথরকপা অমসুং কাশ্মির তম্পাক্তা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমীৎতগী হৌরগা থাংজ নুমীৎ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আর্মি কম্মান্দরশিংগী মীফমদা হৌজিক হৌজিক চাইনা অমসুং পাকিষ্টান্না ঙমখৈদা তোয়না শিংনরকপগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি। কাশ্মির তম্পাক্তা নহারোল কয়া অরানবা লম্বীদা খোংদাখিদুনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংদা য়াওখিবগী মতাংদসু খন্নখি হায়না সিনিয়র আর্মি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাদা আর্মিনা ফন্দ ৱাৎপদগী মতমগা চুনবা খুৎলাই লৈবা অমসুং লালহৌবগী অকনবা মফমদা ওপরেসন চথবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মতম অমুক্তদা চাইনা অমসুং পাকিষ্টান্না ঙমখৈদা শিংনরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান আর্মিদা অনৌবা মতমগা চুনরবা খুৎলাই পায়হনবা মতৌ তাই হায়নসু আর্মিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী মীৎয়েং চিংশিনখি।

## ঝরখন্দদা বি জে পিনা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ৫ গী মেয়র ফম পায়খ্রে

রাঞ্চি, এপ্রিল ২০ (এজেন্সি):
ঝরখন্দদা পাঙথোকখিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন মঙাগী মীখলদা লৈঙাক পায়রিবা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না মায় পাকখিবগা লোয়ননা মেয়র অমদি দেপ্যুটি মেয়রগী ফম মঙামক ফংবা ঙমখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর রঘুবার দাসনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা মীয়ামদা বি জে পিদা থাজবা থল্লকপদগী ঝরখন্দদা পাঙথোকপা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখলদা পার্টি অসিনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্লা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা থাজবা থম্মী হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটকী ইলেক্সন কম্মিস্নার এন এন পান্দেনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, এপ্রিল ১৬ তা পাঙথোকখিবা মীখলগী ভোট মশিং থিবা লোইরবা মতুংদা বি জে পিনা য়াম্না চাউবা মওংদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা অশা লক্রানা রাঞ্চি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মেয়র অমসুং সঞ্জিপ বিজয়া বর্গিয়ানা দেপ্যুটি মেয়র ওইরে।

লক্রানা ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা (জে এম এম) গী বর্সা গাদি অমসুং বিজয়া বর্গিয়ানা কোংগ্রেসকী রাজেস কুমার গুপ্তবু মায়থিবা পীখি। হজারিবাগ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনদা বি জে পিগী রোসনি টির্কিনা কোংগ্রেসকী গুঞ্জা দেবীবু মায়থিবা পীরল্লগা মেয়রগী ফম পায়বা ঙমখি।

রাজকুমার লালনা কোংগ্রেসকী অনন্দ দেববু মায়থিবা পীরল্লগা দেপ্যুটি মেয়রগী ফম পায়খি।

গীরিদি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্দা বি জে পিগী সুনিল কুমার পাসৱানা কোংগ্রেসকী সমির রাজ চৌধরিবু মায়থিবা পীরল্লগা মেয়র ওইখি। প্রকাস রামনা কোংগ্রেসকী মহম্মদ ইষ্টিয়াকপু মায়থিবা পীরল্লগা দেপ্যুটি মেয়রগী ফম পায়বা ঙমখি।

অদিত্যপুর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্দা বি জে পিগী বিনোদ শ্রিবাস্তবানা কোংগ্রেসকী জোগেন্দ্র শর্ম্মাবু অমসুং অমিট সিংহনা ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চাগী মনোজ মহাতো মায়থিবা পীরল্লগা মথংশিংনা মেয়র অমসুং দেপ্যুটি মেয়রগী ফম পায়খি।

মেদিনিনগর ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্দনা অরুনা সঙ্করনা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ পুনম সিংহবু মায়থিবা পীরল্লগা মেয়রগী ফম পায়বা ঙমখি। রাজেস কুমার সিংহনা কোংগ্রেসকী মনোজ সিংহবু মায়থিবা পীরল্লগা দেপ্যুটি মেয়রগী ফম পায়খি।

পনবা য়াবদি, য়েংথিনরিবা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী মরক্তা পোলিটিকেল্ল লিদরশিং চোংথোক চোংশিন তৌবগী থৌওং চথনরক-খিবগা লোয়ননা কর্নাটাকাগী মিনিষ্টর ওইরম্বা বি এস অনন্দ সিংহনা বি জে পিদগী তোক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওবা লৈখ্রবনি। মহারাষ্ট্রদসু বি জে পি অমদি কোংগ্রেসকী মীওই কয়া এ এ পিদা য়াওবা লৈখ্রে।